# মাঙখ্রবা প্লেনগী লিখুন হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি




*কুৱালালম্পুর, মার্চ ১০ঃ* পেসেঞ্জর ২৩৯ য়াওনা মাঙখ্রবা প্লেন অদুগী লিখুন খঙনবা মালেমগী ইনভেষ্টিগেসন টিমশিংনা হোৎনরকপা নুমিৎ হুম্নি শুরক্লবা ফাওবদা করিগুম্বা অমত্তা খঙবা ঙমদ্রি হায়না মালেসিয়াগী এভিয়েসন ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকখ্রে।

অঝারুদ্দিন অব্দুল রহমন হায়বা সিভিল এভিয়েসন ওঠোরিটিগী দিপ্যুটি হেদ অসিনা হায়বদা মাঙখ্রবা এরোপ্লেন অদুগী শরুক ওইরম্বা য়াই হায়বা য়াবা পোৎলম অমত্তা হৌজিক ফাওবা থেংনদ্রি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়াওখিবা পেসেঞ্জরশিং অদুগী নক্লা চানবা মীওইশিংগী অৱাবদা ঐখোয়সু শরুক য়ারি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

বোইং ৭৭৭-২০০ অদু কুৱালালম্পুর ইন্টর্নেস্নেল এয়ারপোর্টতগী হৌখিবা থাংজগী নোংঙাল্লমদাইদা পাইখৎখিবনি। পাইখিবা মতুংদা পুং ১ রোম লৈরগা এরোপ্লেন অদু রাদরদগী মাঙখিবগা লোয়ননা এরোপ্লেন অদু সাউঠ চাইনা সিদা কায়রগা তাশিল্লম্বা য়াবগী অকিবা লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অঝারুদ্দিননা হায়বদা, ভিয়েটনামগী সর্চ প্লেন অমনা এরোপ্লেনগী থোঙনাও মানবা পোৎলম অমদি থেংনখ্রে অদুবু মাঙখ্রবা প্লেন অদুগীরা হায়বদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়নসু ফোঙদোকখি।

চাইনানা চৈরক অসিদা মাঙখ্রবা প্লেন অদুবু থিবগী থবক হেন্না কন্না চংশিন্নবা মালেসিয়াদা খঙহনখ্রে হায়রি।

জেট এয়ারক্রাফট অদু মাঙখিবা হুম্নিরোমগী মতুংদা ওঠোরিটিশিংনা সমুদ্রদা থিবগী মফম হেন্না পাক চাওনা শন্দোক্নুনা মালাকা ষ্ট্রেট অমদি সাউঠ চাইনা সি য়ৌশিনখ্রে। মাঙখ্রবা প্লেন অসিদা য়াওখিবা পেসেঞ্জরশিং অদুগী মরী মতাশিংদা ওঠোরিটিশিংনা খ্বাইদগী পামদবা থৌদোক অদু থোক্লমগনি হায়না ৱাখলদা শেম শানবা খঙহনখ্রে হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মালেসিয়াগী সিভিল এভিয়েসন চিফ অঝারুদ্দিন অব্দুল রহমননা হায়, সিক্যুরিটি প্রোটোকোল পুন্নমক য়েংলগা এরোপ্লেন অদুদা পেসেঞ্জর অনিখক্তি হুরাল্লকপা পাসপোর্ট পায়রগা তোংখি হায়বা ৱাফম কনফার্ম তৌরে।

মহাক্না মখা তানা, মখোয় অনিমক য়েংবদা এসিয়া মচা মান্দে হায়বগী ৱাফমসু কনফার্ম তৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মসিগী মমাংদা চাইনানা মালেসিয়াগী ওঠোরিটিশিংদা এরোপ্লেন অদুবু ফংনবা থিবগী থবক কনখৎনবা খঙহনখিবনি।

পনবা য়াবদি এরোপ্লেন অদুদা য়াওখিবা মীওই ২৩৯ গী মনুংদা ১৫০ হেনবদি চাইনা মচা ঙাক্তনি। চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই কিন গাংনা হায়বদা, থিবগী থবক কনখৎনবা মালেসিয়াগী ওঠোরিটিদা ঐখোয়না তকশিন্নবগী হক অমদি থৌদাং লৈ হায়না লৌই। অদুগা খ্বাইদগী অথুবা মতমদা ইনভেষ্টিগেসন অমা চখ্খরগা মতম চানা চাইনাদা মরী লৈনবা ঈ-পাউ খঙহল্লক্নবা তকশিনবগী হক লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এরোপ্লেন অদু থিবদা ঙাইঙমদবগী চাং হেনগৎলক্লে হায়না বিবিসিগী পাউমী অমনা বৈজিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মালেসিয়াগী এক্টিং ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর হিসামুদ্দিন হুসেননা হায়বদা, এরোপ্লেন অদুবু থিদোক্লগা অহিংবা মী য়াওরল্লবসু কন্নবা হোৎনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরুওইবা পান্দম ওইরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# লালহৌবশিংনা ফারুরবা লম্বোইবীশিং থাদোরক্কুনা দমাস্কস য়ৌরক্লে



*দমাস্কস, মার্চ ১০ঃ* সিরিয়াদা রিবেলশিংনা থা অহুম্রোম ফাজিন্দুনা থম্লুরবী গ্রীক ওঠোদোক্স নন-কাংবু অমা থাদোরক্কুনা দমাস্কসতা থুংলরে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লম্বোইবীশিং অসি মালৌলাদা লৈবা মখোয়গী কনভেন্টতগী ফাখিবনি। ঙসি অয়ুক অঙনবদা লম্বোইবীশিং অদু লেবাননগী ঙমখৈদা লৈবা অর্সল টাউনদা পুরক্লগা লেবানিজ ওফিসিয়েলশিংদা শীন্নরম্বনি। মদুদগী মখোয়বু সিরিয়াদা অমুক পুরকখিবনি। ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদা লম্বোইবীশিং অদু লালহৌবশিং অদুনা য়াম্না ফজনা লোয়নবীরকই হায়বগা লোয়ননা সিরিয়া গভর্নমেন্টনা ফাজিন্দুনা থম্লম্বা নুপী অমদি অঙাং পুন্না ১৫০ রোমগা ফাদোকশিং ওন্থোক্নবগী শরুক অমা ওইনা মখোয়বু থাদোরকপনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

থাদোক্লবগী য়ানবদি কাটার অমদি লেবাননগী ওফিসিয়েলশিংনা ৱারী ৱাতাই শান্নদুনা পুরকখিবনি।

থা অহুম্রোম নুংঙাইতবা ফিভম অমদা লেল্লুরবী লম্বোইবীশিং অমদি মখোয়গী এটেন্দেন্টশিং অদু নোর্ঠ ইষ্টর্ন বেকা ভেল্লিদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা পুরকখিবনি। অদুগী মতুংদগী অথুবা মতমদা খ্বাইদগী নকপা ওফিসিয়েল ওইবা বোর্দর পোইন্ট অমদা মখোয়বু পুরকখি। অদুগা সিরিয়ান ওঠোরিটিশিংদা শীন্নরকখি।

দমাস্কসকী গভর্নর হফেজ মখলুফসু য়াওনা ওফিসিয়েল খরনা লম্বোইবীশিং অদুবু ওক্লগা পুরকখিবনি। মখোয়বু ফাজিল্লুবা লুপ অদু অল নুসরা ফ্রন্ট হায়বা অলকায়দাদা এফিলিয়েট তৌবা জিহাদিষ্ট লালহৌবশিং ওইরম্বা য়াই।

মালৌলাদা লৈবা মার টাকিয়া মোনাষ্ট্রিগী মকোক ওইবী মার্দর পেলাজিয়া সায়ফনা হায়বদা মখোয়বু লালহৌবশিং অদুনা ফজনা লোয়নরকই হায়বগা লোয়ননা ঈশ্বরনা ঐখোয়বু নাইতোম হুন্দোকপীখিদে হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ফ্রন্ট অদুনা ঐখোয়বু লুনা তৌরকই। অদুবু মফম চাবা নত্তবনিনা ঐখোয়গী ঙকশমদা শিবা ক্রোসশিংদি লৌথোকপা তাখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

নিংশিংবা য়াবদি হৌখিবা দিসেম্বর থাদা মালৌলাদগী ফাখ্রবা মতুংদা মখোয়বু লেবাননগী ঙমখৈদা লৈবা লালহৌবনা খুদুম চনবা য়াব্রুদতা পুখি হায়রি।

য়াব্রুদ হায়বা টাউন অসি হৌজিক লালহৌবশিংগী অফবা লোৎফম অমা ওইবা মরমনা লেবানিজ সিয়া ইস্লামিস মুভমেন্টকী ফাইটরশিং অমদি সিরিয়ান আর্মিনা পুন্না অকনবা ওফেন্সিভ অমা চখ্খরিবনি। সিরিয়া লান্মীনা য়াব্রুদতা তকশিনবা ঙল্লকপদগী লম্বোইবীশিং থাদোরকপগী খোঙথাং অসি মহৈ য়ালহল্লকপনি হায়না গ্রীক ওঠোদোক্স পেট্রিয়ার্চেটকী বিসোপ লৌকা অল খৌরিনা ফোঙদোকখ্রে।

য়াব্রুদতগী গভর্নমেন্টপু য়াবা খৃষ্টান বিজিনেসমেন জোর্জ হস্বানিনা হায়বদা লম্বোইবীশিং অদু মহাক্কী ভিলাদা লৈখি অদুগা প্রসিদেন্ট বসার অল অসাদনসু থেঙ্মাং কয়ারক্তা মখোয়গী হকচাংগী ফিভম কমদৌরি হায়বদু য়েংশিনবা লাকখি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

লালহৌবশিংনা হায়বদদি গভর্নমেন্টনা সেল্লিং চখ্খরকপদগী লম্বোইবীশিং অদুবু মখোয়না ঙাক শেনখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# ইজরেল লান্মীনা পেলেষ্টিনিয়ান ৩ কাপ্তুনা হাৎখ্রে

*জেরুসালেম, মার্চ ১০ঃ* জোর্দান অমদি ইজরেলনা খুদুম চনবা ৱেষ্ট বেঙ্ককী মরক্তা লৈবা ক্রোসিং পোইন্ট অমদা খৎনরকপদগী পেলেষ্টিনিয়ান জজ অমা ইজরেল লান্মীশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না পেলেষ্টিনিয়ান ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইজরেল লান্মীনা হায়বদা মীশক অদুনা এলেনবি ব্রিদজদা লান্মী অমদগী নোংমৈ মুন্নবা হোৎনরকপদগী লান্মীশিংনা মহাকপু কাপ্তুনা হাৎখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পেলেষ্টিনিয়ান ওঠোরিটিনা ৱেষ্ট বেঙ্ককী রামালাহ সিটিদা মীহাৎ অদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা জজ অদুবু ইজরেল লান্মীশিংনা নোংমৈনা নল্লগা কাপখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মীহাৎ অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমা চখ্খগদবনি হায়নসু মখোয়না দিমান্দ তৌখি।

প্রাইম মিনিষ্টর রামি অল-হমদালাহ ওফিসকী চেরোল অমনা শিখ্রবা মীওই অদু রেইদ অল্লা এল-দিন ফাইটরনি হায়না আইদেন্টিফাইদ তৌবগা লোয়ননা মহাক মশাগী চহি ৩৮ দা ঙাইরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

ইজরেলগী মিলিটরি ওফিসিয়েল অমনা হায়বদদি মীশক অদুগী মমিং মথা চুন্নৱা হায়বগী চেক্কিং চখ্খরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চয়োল অনিগী মমাংদসু ইজরেল লান্মীশিংনা মখোয়না ফানবা থিরিবা পেলেষ্টিনিয়ান মচা অমা ৱেষ্ট বেঙ্ককী বির জেদ টাউনদা হাৎখ্রবনি। মমাং থাদসু এমনেষ্টি ইন্টর্নেস্নেলনা ফোঙদোকখিবা রিপোর্ট অমদা ইজরেল লান্মীশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা কা হেনবা ভাইওলেন্স চখ্খদুনা হৌখিবা চহি অহুম্রোমগী মনুংদা পেলেষ্টিনিয়ান মচা কয়ামরুম হাৎখ্রবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।




ইজরেলগী লান্মীশিংগী মথক্তা ৱার ক্রাইম চখ্খবগী মরাল পীবা য়াবনি হায়নসু লুপ অসিনা ফোঙদোকখি। অদুবু এমনেষ্টি ইন্টর্নেস্নেলগী ৱারোলসি ইজরেল লান্মীশিংনদি য়াখিদ্রি হায়রি।

# টুর্কিদা সিরিয়াগী রিফ্যুজি লাক্ষ ৯ লোম লৈরিঃ য়ু এন

*অনকারা, মার্চ ১০ঃ* টুর্কিদা হৌজিক লৈরিবা সিরিয়াগী রিফ্যুজিশিং অসি চাওরাক্না লাক্ষ ৯ রোমনি হায়না য়ু এন ওফিসিয়েল অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

টুর্কিদা য়ুনিসেফকী মীহুৎ ওইরিবা আইমান এ অবুল্লাবননা পাউমীশিংদা হায়খিবদা, সিরিয়াগী রিফ্যুজি লাখ ৭ লাম কেম্পশিংগী মপান্দা লৈরি হায়না ফোঙদোকখি।

সিরিয়াগী ঙমখৈদা লৈবা টুর্কিগী সিটিশিংদা সিরিয়ান রিফ্যুজিশিংগী কেম্প হৌজিক ২১ রোম লৈরি। মখোয়গীদমক স্কুলশিং শাবদা য়ুনিসেফনা তেংবাং পীবগা লোয়ননা রিফ্যুজি কেম্পশিংগী মনুং অমদি মপান্দা লাইরিক তম্বীগদবা ওজাশিংবু য়ুনিসেফনা ট্রেনিং পীরি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# ক্রিমিয়াগী মতাংদা মার্কেলনা পুটিনবু চৈখ্রে

*সেবাষ্টোপোল, মার্চ ১০ঃ* ক্রিমিয়াবু রুসিয়াদা পুনগদ্রা হায়বগী অয়াবা লৌনবা রুসিয়ানা শৌগৎতুনা রিফরেন্দম অমা পাঙথোক্লবা হোৎনবা অদু ইলিগেল ওই অদুগা য়ুক্রেনগী কন্সটিট্যুসন খোঙ্গাওনবনি হায়রদুনা থৌরাং অসিগীদমক জর্মনিগী চান্সেল্লর এঞ্জেল্লা মার্কেলনা প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনবু চৈখ্রে।



পুটিননদি ক্রিমিয়াদা রুসিয়াবু য়াবা লুচিংবশিংনা য়ুক্রেনদগী তোকখাই তানবা হোৎনবদা শৌগৎপগা লোয়ননা ক্রিমিয়ান পেনিন্সুলাদা রুসিয়াগী লান্মীশিং হেন্না থাজিন্দুনা হেন্না কনবা খোঙদাফম অমা শেমখ্রে।

ঙরাং ঙমখৈদা লৈবা পোষ্ট অমা অদুগা মিলিটরি এয়ার ফিল্ড অমসু রুসিয়াগী ফোর্সশিংনা খুদুম চনশিনখি। ক্রিমিয়াদা মীওই কয়ামরুমনা শরুক য়াদুনা রেল্লিশিং পাঙথোকপগা লোয়ননা সেবাষ্টোপোলগী লম্বী লমজাওশিংদা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং হেনগৎলক্লে। প্রো রুসিয়ান এক্টিভিষ্টশিংনা ঙরাংসু য়ুক্রেনিয়া গ্রুপ অমদা এটেক তৌখি।

চাইনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা নাকল অনিমকপু পুক্নিং ফাথনা লৈনবা তকশিনবগা লোয়ননা ৱাথোক অসি পোলিটিকেল সোলুসননা লোইশিন্নবা খঙহল্লকখ্রে।

চাইনিজ প্রেমিয়র অসিনা য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামা অমদি এঞ্জেলা মার্কেলদা টেলিফোনদা ৱারীসু শারকখি।

য়ুক্রেনদা ওইরিবা ফিভম অসি কা হেন্না অরুবা ওইবগা লোয়ননা খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি য়ানদ্রিবা মায়কৈ অনিমক্না পুক্নিং ইংনা লৈবা অদুগা উংখৎনবগী ফিভম হেলহন্দনবা ৱাখল ফাজিন্নবা হোৎনবা অদুনি হায়নসু চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ঙসি প্রসিদেন্ট ওবামাদা টেলিফোনদা ফোঙদোরকখি হায়রি। ৱাথোক অসি পোলিটিকেল অমদি দিপ্লোমেটিক ওইবা খোঙথাংদা লোইশিনফম থোকই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোরকখি।

# অৱাং কোরিয়াগী কিম জোং উন মায় পাকখ্রে



*পিয়োংয়াং, মার্চ ১০ঃ* অৱাং কোরিয়াগী ষ্টেট মেদিয়ানা হায়বদা, কিম জোন উন মশাগী দিষ্ট্রিক্টতগী মীখলদা লম্বা য়াওদনা মায় পাকখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অসিগী মশাগী কন্সটিট্যুয়েন্সি ওইরিবা মাউন্ট পেক্টুদগী চাদা ১০০ অয়াবা ফংদুনা মীখলদা মায় পাকখিবা অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামনা মহাকপু মপুং ফানা শৌগৎলি হায়বদু উৎলে হায়না কে সি এন এ নিউজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং পাঙথোকখিবা সুপ্রিম পিপলস এসেমব্লিগী মীখলদা মীরেপ ওইখিবা মীপুম খুদিংমক্কী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা বেলোট পেপরশিংদা মীরেপ অমমমতংগী মমিং খক্তমক য়াওখি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি কিমনা লৈঙাক শক্তি হেক পায়রকপদগী অসিগুম্বা মীখল অমা পাঙথোকপা হন্দক্কীসিনা অহানবনি। মহাক্কী মচন্নুপীসু অহানবা ওইনা ষ্টেট মেদিয়াদা মমিং পল্লকপগা লোয়ননা লৈঙাক্কী ফমথোনশিংগী মরক্তা অকনবা শক্তি অমা ওইরকপা য়াবগী খুদম উবা হৌরে হায়রি।

মশাগী চহি ২৬ তা ঙাইরিবী কিম য়ো জোংসু মবুংনা কিম ইল সুং য়ুনিভর্সিটিদা লৈবা পোল্লিং ষ্টেসনদা ভোট থাদবা চৎপদা লোয়নখি। ষ্টেট টেলিভিজননা মহাক্কী মরমদা পাউ পীবদা মমিং পনবগা লোয়ননা কমরেদ হায়বা ইকাই খুম্নবা মীংথোল অসিগা মরী লৈননা সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমা ওইনা পনখি হায়রি। মসিগী মমাংদা মরুওইবা থৌদোক খরদসু মহাক্না মবুংগা লোয়নবা উখি। অদুবু মমাংদা মতাং অমত্তদা মহাক্কী মমিং পনখিবা লৈতে হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# টালিবাননা আফগানিষ্টানগী মীখল থুগাইগনি ৱাশকখ্রে

*কাবুল, মার্চ ১০ঃ* আফগানিষ্টানগী প্রসিদেন্টগী মীখল লাক্লিবা এপ্রিল ৫ দা পাঙথোক্কনি হায়না থৌরাং তৌরিঙৈদা টালিবাননা ঙসি মীখল অসিদা শরুক য়াগদবা পুন্নমক্তা এটেক তৌদুনা মীখল অসি থুগাইগনি ৱাশকখ্রে।

লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা মখোয়না এটেক তৌবদা ভোটরশিং, সিক্যুরিটি পার্সোনেলশিং, পোল্লিং ওফিসিয়েলশিং নত্রগা মীখল অসিগা মরী লৈনবা ৱার্কর হায়বা অমত্তা খাক্লোই হায়নসু কিহনখ্রে হায়রি।

উপাই অমা তৌদুনা মীখল অসি থুগাইগনি হায়বগা লোয়ননা পাউগী এজেন্সি অমদা লুপ অসিনা হায়খিবদা ঐখোয়গী মুজাহিদ্দিন পুন্নমক্তা অঙম্বা পাঙ্গল শীজিন্নদুনা ইকায়নিঙাই ওইরবা মীখল অসি কায়হন্নবা শিল্লু হায়বগী ওর্দর পীখ্রে। অদুগা ৱার্করশিং, এক্টিভিষ্টশিং, কোল্লরশিং অমদি সিক্যুরিটি এপেরেটস অমসুং ওফিস পুন্নমক্তা এটেক তৌনবা ওর্দর পীখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

আফগান মচাশিংদা মখা তানা ৱার্নিং তৌরদুনা টালিবাননা মীখলগা মরী লৈনবা থবক পুন্নমক্তগী নাথৈদুনা লৈনবা অদুগা মীখল অসিবু মায় পাকহন্দনবা খঙহনখ্রে।

মীখল অসি লুপ অসিনা ইনভেদরশিংগী খ্বাইদগী অনৌবা থৌশিল অমনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

মীখল অসিদা শরুক য়াদনবা অফগান মচা পুন্নমক্তা খঙহল্লকপগা লোয়ননা করিগুম্বা মখোয়না ভোট থাদরবা নত্রগা মীখলদা তেংবাংলবদি তুংদা থোক্লকপা য়াবা থৌদোক পুন্নমক্কী থৌদাং মশা মশানা লৌজগদবনি হায়নসু থম্লকখি।

কনাগুম্বা অমত্তনা মীখল অসিদা শরুক য়ারবদি তুংদা লাক্কদবা মাঙজবা পুন্নমক মখোয় মশানা থৌদাং লৌগদবনি হায়নসু টালিবাননা মীয়ামদা কিহল্লকখি।

পনবা য়াবদি থা অমা ফাবাৎত্রবা মীখল অসি এপ্রিল ৫ দা শোইদনা পাঙথোক্কনি হায়না গভর্নমেন্টনা লাউথোকখিবা মতুংদা টালিবাননা থ্রেট অসি ফোঙদোরকপনি।




